ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯃꯦ ꯲꯵, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯵꯹ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, মে ২৫, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৫৯শুবা মশীং

## টেষ্টকীনা চার্জ পোৎলোইবগীনা ফ্রী
### শিরগা নরাইবক ওইজৌ হায়রিবরা?

মপান্দা চৎথোকফম অমসুং ষ্টেটসিদা চঙলকফম ওইরিবা নেসনল হায়ৱেশিংগী থোঙজাও পূম্নমক্কী থোঙজিন্দা খম থেংনা চেকশিল্লে। নেগেটিভ ওইদবা অমত্তা মখোঙ কানশিলহল্লক্ত্রে। এয়রপোর্টতা চঙলকপশিংসু চিংনবখৈ খন্দোক্লগা টেষ্ট তৌরে। পোজিটিভ ওইরবশিংগীনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলে। দিষ্ট্রিক্ট ৭তা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থম্বগী মথক্তা পোজিটিভ ওইরবা কেসপু থেংনরবদি মীওইদুনা লৈরিবা মফমদু কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোক্লে। অকনবা অথিংবশিংগী মথক্তা খুরক হোহন্দবা চেকশিনবশিংনা অমুক্কসু চেকশিন্না য়োমশিল্লে। অদুবু নুংতিগী থেংনবা পোজিটিভ কেসশিং নোংম-নোংমগী মশীং হেঙ্গৎলক্লে। হেঙ্গৎলকপা নুমিৎ য়াওদ্রগনা অয়াম্বা চাংদা থেংনরে। শিবগী মশীংসু চাংচৎতা নোংমদা মীওই ১০গী মথক্তা খুজিং ওইদুনা শিরে। মসিগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং অমত্তা খাক্তনা লৌখৎলক্লে। কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদবা মীওইশিংগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপগী লুপা লিশীং ১৫ অমসুং লুপা লিশীং ৮/৮ লৌরম্বদু লৌররোই। লৈঙাক্লা মসিগী থৌদাংশিং লৌরগনি হায়রে। অদুবু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইব্রা নৎত্রগা ওইদব্রা খঙদোক্লবগীদমক টেষ্ট তৌবগীদি আর টি - পি সী আরগীনা গভর্ণমেন্টকী ফেসিলিটি/ সেন্টরশিংগীনা মীকোক্তা লুপা ৫০০/৫০০ লৌগনি। রেপিদ এন্টিজেন্ট টেষ্টকীনা লুপা ১৬০/১৬০ লৌগনি হায়রে। প্রাইভেট হেল্থ ক্যের ফেসিলিটিশিংদনা আর টি - পি সী আরগীনা লুপা ১৪০০ লৌরগা আর এ টিগীনা মী অমমমদা লুপা ৩১০/৩১০ লৌগনি হায়রে। ৱাফমসি হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টরনা থোকপা ওর্দর অমনা হায়বনি। লৈবাক মীয়ামদা খঙহল্লকপা ৱাফমনি। অদুগা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা শিরবা মীওইশিংগী হকচাং অমা মিনুথোংদা লৈবা বজার বোর্দকী ক্রিমেটোরিয়মদা পোৎলোইবদা লুপা লিশীং ১৫/১৫ লৌরম্বা অমসুং লৈকায়গী মোংফমশিংদা পোৎলোইবদা লুপা লিশীং ৮/৮ লৌরম্বা অদুদি লৌররোই হায়রে। মসিগী মতাংদনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা মে ২২, ২০২১দা ওর্দর অমা থোকখ্রে।

ফজেনে, ফজখ্রবা লৈঙাক্লা মীয়ামগীদমক কূপ্না খন্নরগা লৌরকপা ৱারেপশিংগী মতুংইন্না থোরকপা ওর্দর ঙাক্তনি। মসিদগী হেন্না ফজবা লৈবাক মীয়ামগীদমক অনৌবা ওর্দর/নোটিফিকেসন লৈরকখিদ্রা? কোভিদ-১৯না নাহল্লব্রা নৎত্রগা নাহনদ্রিবরা হায়বদু খঙদোক্লবগীদি গভর্ণমেন্ট অমদি প্রাইভেট হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা শেল লৌগনি। অদুগা নারক্তুনা শিরগনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপগীদি শেল লৌররোই হায়বনি। অদুগা লায়েংবদা চঙখিবা শেনফমশিং লৈঙাক্লা রিএম্বর্স তৌবদি ঙল্লোই। তঙাইফদনা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙ (সী এম ঐচ টি) নৎত্রগা অয়ুসমান ভারত যোজনাগী কার্দ পায়বশিংগীনা মসিগী কান্নবা ফংগনি হায়বনি। ফজখ্রবা থৌরাং থৌশিলনি। লায়না পকপা/ পক্তবদি নরন্নাই য়েংজৌ, শিরগনা লেম্না পোৎলোইবিগে হায়বনি। চুম্মী, সেকেন্দ ৱেভকী চৈথেংগী মৈশা খম থেংনা মায়োক্লরবা মীয়াম্না টেষ্ট তৌবা ফাওবদি মশাগী ফুরিৎখাওদগী পুথোকচবা ফাউবদি য়াইনা। শিরগসু পোৎলোইবগী শেল তিংলম্বদসু তিংলরোইদবনি। মসিগীদমক গভর্ণমেন্টনা চাওথোক চাউনা লেপ্লবনি। অদুবু মশ্বাইদা কোভিদ-১৯বু কুপশেন শেন্নরিবা, লায়নাসিনা নাহল্লক্তনবা খা-ৱাং চেন্দুনা হোৎনরিবা কাঙবুদদি অহোবা অমদি চাউনা লৈরে। ইকুবোক্কা ঐগগী মরক্তা ঐদি নত্তবা অশোইব'মা য়াওরে হায়বগী ৱাফমদুদা তারকই। মরমদি টেষ্ট তৌবদা শেল য়াম্না লৌবা/লৌদবগী ৱাফম নত্তে। পুথোক্তুনা টেষ্ট তৌবা ঙমদবসু য়াওরল্লোই। লেম্না মথৌ মঙম পাঙথোকপীরনি হায়রবসু শিনীংবা মীওই য়াওরমগনি থাজদে। মসিমক্লা হীদাক কাপথোক্লবগী ক্যু লেপ্পরকপদা কন্ট্রোল তৌবা ঙম্নরক্তদনা পৌ নম্বগী ফীভম মায়োক্লরক্লিবসিনি। অদুবু হৌজিক টেষ্ট তৌনরক্লিবশিংসি মশানা য়ানীংনা, ভলুন্টরি ওইনা চোংথোরক্তুনা থোক্লরকপগী মশীংদি পংয়াম য়াল্লমখিরোই খল্লি। হৌজিক টেষ্ট তৌনরক্লিবশিংসিদি মশাদা চিংনবা ফাওরক্লবা, লায়নাসিগী সিম্পটোমশিং ওইগনি খনবা নুংঙাইতবশিং ফাওরক্লবা মতমদতা তঙাইফদনা থোক্লরকপনি হায়বদা লাল্লোই। মসিগী মরম ময়াম লৈ। মরমশিং অসিগী মনুংদা পোজিটিভ ওইরে হায়রকান্দা য়ূমথংনরিবশিংনা ফাওবা য়েংলকপা মীৎয়েংগী মথক্তা ইমুংদুনা মঙোন্দা য়েংলক্কদবা মীৎয়েং, মহাকপু লোয়নবিরক্কদবা মওং অদুগা অমনা ইশা ইথন্তা নুমিৎ ১৪নি আইসোলেট তৌদুনা লৈজরগদি মথন্তা ফজখিবা লায়নানি হায়বসিমসু য়াওরি। লায়নাসিগী ফীভম্না তাঞ্জাসি য়ৌরক্লবা মতমসিদা মসিগুম্বশিং অসিনা লোৎশিন্দুনা থম্বদি অফবা ফিরেপতি নৎত্রে। মসিনা ৱাহৈদা ফজবা অমসুং য়াম্নসু চুম্বা ৱাফমগী ৱানি। থবক্তা ওন্থোরকপদদি ফা ফাদুনা মীপূম তিংনা টেষ্ট তৌথোক্কদবনি হায়বমকসু লৈতবগী মথক্তা টেষ্ট তৌবগী চার্জসু য়াম্না লৌরিবনা হেক্তমক মীয়াম চয়োম শানা থোক্লরক্ত্রি। কোভিদ-১৯গী ফর্ষ্ট ৱেভতগী সেকেন্দ ৱেভ লানশিল্লক্লবা ফাওবদা মণিপুরগী পোজিটিভ কেস মশীং লিশীং ৫০ য়ৌদ্রি। মসিনা তাকপদি মীয়াম পূম্নমক টেষ্ট তৌবদি লায়রদনা টেষ্ট তৌবা মীওইশিংগী মশীং য়ামদ্রি হায়বনি। মসিদি হৌজিক ফাওবদসু টেষ্টসু তৌজরোই হায়বদা নত্তনা হীদাকসু কাপথোকচরোই হায়বা মীওইশিং য়াম্না লৈরি হায়বনি। মসিনদি তমথীরবা লায়নাসি অমদগী অমদা লেপ্তুনা ট্রান্সমিট তৌহল্লকপা মশানা তাবনি। মরমশিং অসিনা টেষ্ট তৌবা য়ারবা মীপূম খুদিংমক পাক্তক্লনা টেষ্ট তৌথোক্লগা চপ চাবা মশীং খঙদোক্লগা পূক্লিং লূম্না লায়েং চথ্বনা অফবা খোঙথাং ওইরোইদ্রা? দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্টতা য়াওদ্রবসু শেমদোকউ, মীপূম খুদিংমক টেষ্ট তৌবা অমসুং হীদাক কাপথোকপা মেন্দেটরি ওইহল্লু। মসিগী মথক্তা অকনবা এস ও পিশিং অসিনা অমুক য়োমশিল্লু। মদ্বাইদা কোরোনাভাইরসনা কদাইফাওবা লম হেল্লকপগে য়েংসি। লেম্না পোৎলোইবীনি হায়দুনা লৌরিবা ফিরেপ অদুম্মাইনা টেষ্টসু লেম্না তৌথোকহল্লু। মসিনা শিবা হন্থরক্তুনা শেঞ্জংদসু হন্থহল্লক্কনি।

#### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৮

১) চহী য়াঙ্খৈগী মমাঙদা অহানবা ওইনা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম উৎখিবদু করম্বা চহীগী করি থাগী তাং কয়াদনো?

২) ''দাদা সাহেব ফালকে ভারত সিনেমাগী অপোকপা'' হায়বা মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু করি লোলদা কনানা ইবনো?

৩) অহানবা মণিপুরী ফিচর ফিল্মনি লৌনরিবা ''মতমগী মণিপুর'' হায়বা ফিল্মসিগী অয়াম্বা শরুক কদায়দা সেট শারগা নমখিবগে?

৪) John Warrington হায়বা BBC গী Correspondent অমনা মণিপুরী ফিল্ম অমবু ''সেল্লুলোইদতা ইবা শৈরেং'' (Poem on Celluloid) হায়না শীংথাখি। ফিল্মদু করি ফিল্মনো?

৫) ''লাইরিক লাইশু কুমজা সাহিত্য-ইতিহাস'' হায়বসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩১, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## উচিবু লাইগুম্না লাৎনবা তারিব্রা!

হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৫৫

**জিতেন নামৈরাকপম**



''কমদৌরি নুংঙাইরিব্রা?'' মসিমক মীয়াম পূম্বনা মরুপ মপাংশিং অমদি মাগা খঙন-চান্নবশিংদা তোয়না হংনবা ৱাহংনি। হন্দক্কী কোরোনাভাইরসকী কর্ফিয়ু মনুংগী মতম অসিদা ঐঙোন্দা ফোন তৌবীরকপা মরুপ মপাংশিংনা মথং মথং হংলকই। ঐসু করি পাউখুম পীরুগনি ৱানা য়াম্না শাথীনা ৱানা শিবা ঙাইনা লেল্লি কায়দি হায়রুগদ্রদো। মদুমক্তি হায়রুদ্রে। নুংঙাইরি, য়াম্না শাথীনা নুংঙাইরি। ''কন্টেনমেন্ট জোনগা কর্ফিয়ুগা নম্ন-মুক্লদুনা লেল্লি'' - পাউখুম অসি ঐনা ঐবু নুংশিবীদুনা ফোন তৌবিরকপা মরুপশিংদা য়াম্না তোয়না খুমখি। তৌরিবা মতৌ অসিবু অদোম অদোমসু নুংঙাইবিরিব্রনে? কদায়দগীদি নুংঙাইরগদগেদো। থা অমরোম ফারব্রা, হেল্লবা কাউববু কাউথোকখ্রে। তারিখ, নুমিৎকা মথোং মরম, মেন মান তারক্ত্রে। পোজিটিভ ওইবা চাতরেৎ হুম্ফুতরেৎ হেল্লে, মীওই কুন শিরে/কুনহুমদোই শিরে। ওক্সিজেন ফংদবদগী কোয়চেন চেন্নরে। বেদ ফংদ্রে। হোস্পিটালনা অনাবা লৌশিনবীয়ু য়াদ্রে। অসিগুম্বা ৱা ঙাক্তনি তারিবা। অদুগা ঐখোয়না মপান থোক্তনা কোভিদকী মহীক্তগী লোৎলগা লৈবা। ঐখোয় ইশা ইশানা নুংতিগী তৌজবা থবকশিং পুমথু থুগাইরগা ওন্থোকপা পুন্সি মহিং অমদা হিংবা। মসিবু অমরোমদদি ফনবু নুংঙাইরিয়ে। অঙকপা পুন্সিগী ওইবা অনৌবা এক্সপরিয়েন্স অমনি। ওইনম্বা মহাউ অমনি।

হিংবা অমসুং শিবা। খুদক খুদক্তা মহীক শাথীখ্রবা অমনা চাথোক্লগা শিবশিবু কনানা পামগদোইনো। মী অমা শিবা মতমদা মনুং মতম চাদনা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা শিরে, খঙহৌদনা লেকথরকপদগী শিরে, মশাগী ওইবা অতোপ্পা লায়না অমা নাদুনা শিরেগা হায়রবদি মফবা। অদুবু মাগী হিংচাবী মহীক কোভিদনা লংস চাথোকখ্রগা শ্বর হোনবা ঙমদদুনা শিরেকা হায়বা ৱাসিদি য়াম্না শাথীনা ইকায়জে। মরম অসিনা ঐ ইশাগী ওইনদি অতোপ্পা মরম অমনা য়াম্না লেম্না শিজগে কোভিদ নঙদদি চঙবীরক্কনু, অসিতনি নীংজরিবা! হন্দক্কী কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ অসিনা শন্দোরক্তুনা মরাল লৈজদবা মীওই কয়াদি য়াল্লে হাৎখ্রিবা। পাম্মুই তশেংনা পাম্মুই মমল য়াল্লবা মীওই কয়াগী থৱায় মুন্দুনা পুবিখ্রিবসি। এম এল এ ওইরম্বা, মিনিষ্টর ওইরম্বা, মশক নাইরবা লৈঙাক্কী থবক তৌরম্বা কয়া, লৈবাক্কী ইস্যু কয়াদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরম্বা কয়া অসিগী মরক্তা ঐখোয়গী হুইয়েন লানপাউ পাউচে অসিগী অইবশিংগী 'লীপুন' থৌরমশিংদা য়াওবিরম্বা তামো যোদ্ধচন্দ্র সনসমসু চৎখ্রে। তামো যোদ্ধচন্দ্র সনসম চহী খুদিংগী পাঙথোকপা চাকচা হৈজান্নবগী থৌরম মদুসু পাউচে অসিগী বিল্ডিং হোলদা পাঙথোকপা মদুদসু শরুক য়াবিরম্বনি। মহাক্কুম্বা লৈবাক্লা শকখঙনরবা মীওই অমনা মনুং মতম চাদনা চৎখিবসি তশেংনা পাম্মুজে। মহাক্লা ঐখোয়গী ইরক্তগী চৎখ্রবসু মাগী মোমোন নোকপা, চীং লেম্লবা শকফম অদুদি ঙসিসু ইমিৎ অসিদা উদুনতা লৈরি। হৌখিবা চহীগী চাকচা হৈজানবগী থৌরমদা তামো যোদ্ধচন্দ্র মাগী নুপী (ইতৈমা) অদুগা লোয়ননা লেংবিরকখি। নুমিৎ অদুদা উখিবা শক্তম অদুনা ঐগী ওইনদি অরোইবা নুমিৎ ওইখ্রে। অমুক হন্না ৱারী শানবা ফংলরোই খল্লুবদা নুংঙাইতবা ফাওই। অদুবু তামোগী থৱায় মিরেলনা লাইরৈবাক্তা শান্তি ওইনা ঈংনা-চিক্লা তিল্লুবা ওইখ্রসনু হায়না কচ্চবা ৱাহৈ খরসিনা অপেনবা ওইবীয়ু হায়জরি।

তৌরিবা মতৌ অসিবু করিনো হায়ফম তৌফম খঙলক্ত্রে কর্ফিয়ুগী মতম অসিদা! নোং ঙানদ্রি অয়ূক্কী পুং ৩ অদুৱাইদা হৌগৎলে। করিননো হায়বদা হন্দককী নুংশা খূৎশা অসিদা অহিংসুনি ফেনসিনা অরৈবী চাংদা উংথৎলবসু ওমচাক্লদুনা ফমুংদা হিপ্লিবা ঐগী নঙ্গন পুমচোৎ চোৎলি। ৱাওরি-ৱাওরি তূমথরুনি। অদুমক হৌগৎলে। ঐগী হেক থোঙ্গাল ৱাংমদা ফুটবোল শান্নফম লম্পাক অমা লৈজে। মদুদা খোঙউপ তোংদনা খোঙয়া অসিনা নাপী মথক্তা চৎকনি লিক্লা মরক্তুদা। পুংখায়মুক্কি হঙ্গৎ-হন্দা চৎকদৌরিবসি। অদুবু য়াহৌ ঙল্লে খঞ্জরিবা ঐঙোন্দগী হেন্না য়াহৌ ঙনবা মী ধমাদা লৈরম্মী। মখোয়সু অসুম্মক ৱাকিং চৎলি। মী য়াম্না থোরকপদি নত্তে। মী মঙা তরুকখক্তনি। মখোয়সু অমগা অমগা লাপথোক্লরগা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তুনা ফেস মাস্ক উপ্পগা য়াম্না চেকশিন্না চৎনৈ। ঐগা শকখঙনবমক্তনি। কৌবসু কৌনদে। ঙাঙবসু ঙাঙনদে। মানা তৌফম থোকপা অদুম্মক তৌনৈ। অদুদগীদি নুমিৎ মঙাল উরক্লে। অদুগা য়ূমদা চঙলে। ঐনা য়ূমদা চঙবা মতমদা কনামত্তা হৌগৎনরমদ্রি। লোইনমক ইশি শিনা তূমদুনা লৈনরম্মী। মখোয়বু ঐনসু হৌদোকপীরুদ্রে। মরমদি কর্ফিয়ুগী মতম অসিদা য়ূমদগী মপান থোক্লুবা য়াবসু নত্তে। ঐখক্তনি লম হেন্দুনা য়ূমদগী মপান থোক্লুরিবা। মসি ঐখক্তগী ৱাসু নত্তে। য়ূমদা অসুম ফাজিন পুনশিন্দুনা থম্বসিবু কনানা পামগনি। হায়ফম খঙদে। তৌফম খঙদবমখৈ লেনবা ওন্থোকপা পুন্সিনি। কর্ফিয়ু লৈবা, জেলদা লৈবা কা হায়বদু অসুম্না তৌরমগদ্রা, তৌরমগনি, ৱারমগনি। চেকপলনা ইকোয় কোয়শিনবা কাশিং অদুদা মখোয়না উগদৌরিবসি নুমিৎকী মঙালগা থাগী মঙালগা, তোঙান তোঙানবা মখোল খরগা অসি মঙায়রে। অমুক তূম্বা, অমুক হৌগৎপা অদুগা মতম লেনবা ওইনা করি করিনো খরা তৌবা অসি মঙায়রে।

অসুম্না খল্লদুনা য়ূমগী চাকশঙদা চঙশিল্লুবদা থেংনরে, সবাস! উচি অচৌবা অনী নপ্তুনা লৈরল্লে। ঙরাং ষষ্থি চে মপাক্তা তৈরম্বা হঙ্গামপাল মচুগী অনপ্পী গম অদুদা! ফনা চাওইহে, সৈত্য। মপি ঙাক্তনি, হৌদোং মচামুক চাওই হায়বা তাই। তস! কমদৌই, পেল্লি। নখোয় ময়াম্না ঐগী ইমুংদা অহিংগী মতমদা থর্দ ৱর্ল্ড ৱারগী টাইপ্তা দোং-দাং, দোং-দাংগী মখোলনা হৈথরকপদো। তূম্ফম খঙদে, তাল্লুবসু ঙমদে। তাল্ল-তাল্লগা মখোল হেঙ্গৎলকই। হন্দক্কী লোকদাউন্দা পুলিসকী চৈ মরক্তা নাইতোম কৈথেলদগী লৈজরুই - খামেন অশিনবা, তীলহৌ, থবী, অতাঙবা হৱাইথরাক অমদি করি করিনো খরা। মখোয়না লোইনা চাথোক্লম্মী। ফদিগোম মপুন ৩/৪ সু অদুম মখোয়গী মকোন্দা চেন্দুনা পুবিখ্রে। য়াম্না শাউনীংই, শাথীনা শাউনীংই। য়ূমগী কাগী অতোপ্পা মী লৈনদবা কাদা উচি ময়াম পোপ্যুলেসন হেনগৎতুনা ৩০/৪০গুম্বদি লৈরল্লনি খল্লি। হাৎপসু ঙমদে, ফাবসু ঙমদে। টোম এন্দ জেরিগী টাইপ্তা উচিনা হৌদোং লক্লবদো অদুম হায়না ঐবু লক্লরকপা নখোয় ময়ামগী মনুংদা অচৌবা অনী অমদি বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রেদনা!

অদুদা উচিশিংগা মুক্লগনু, মখোয়দা হায়জৌ-নিজৌ হায়বা ঐখোয় মৈতৈগী ওইবা ৱা অমসু লৈকো। উচিদবু হেক চৈরুরবা শোয়দ্রে মানা অঙম্বা চাংদা অদুম চিকথৎলমগনি। কুমজা ২০০৩দদি ন্যুজিলেন্দগী কেমবেল আইলেন্দদা হু থাক্তুনা উচি ২০০,০০০ লোম হাৎখ্রে। রেট ফ্রী ওইবা আইলেন্দ ওইখ্রে। অদুগা ইন্দিয়াদনা উচিবু লাইগুম্না লাউনরি। ইন্দিয়াগী দেশনোক্কী কার্নি মাতা লাইশঙদা উচি লিশীং লিশীংদা মখোয়না পাম্বা চিঞ্জাক হুন্দুনা খুরুম্নরি। উচিশিংবু লাৎচবা মদুসু ফোর্টিন্থ সেঞ্চুরিদগী হৌজিক্কী কুনশুবা সেঞ্চুরি অসি ফাওবদা হিন্দু লাইনীং চৎচবা ভক্তশিংনা উচি খুরুম্বা লাক্লি। মখোয়না পাম্বা চিঞ্জাক পীজরি কার্নি মাটাগী লাইশঙ অসিদা। তৌবতবু কনাগুম্বা অমনা লাইশঙ অসিদা লৈবা উচি অমা হেক হাৎলুবা তারবা মহাক্লা সনা নৎত্রগা লুপানা শাবা উচি অমা কৎলবা তাবনি। মতাংসিদা কর্ফিয়ুগী মতম অসিদা অমুকসু খল্লকই, ঐবু উচি লাৎপা তারিব্রা? ●

## ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ১৯

ৱাখল ইহুল

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

৭) ফুরুপ অমগী থাজবা অমদি লুনা থমজখিবা উপাল (লাই ওইরবা), শঙলেনশিং (লাইরেম্বা-লাইরেম্বী অমগী) দা মথোং মরমদি খঙদবা চিংনবা ফুরুপ খরগী মীওইশিংনা য়ান্থৎপা, থুগাই/য়ান্থৎপা, মৈ থাবনচিংবা খৎনবা হৌবা অফবা থৌওংশিং অমত্তা নত্তে। খুন্নাইগী ৱাখল চুম্না খনবা ঙম্বা মী অমত্তনা তৌরোইদবা থৌওংশিংনি হায়না থমজগে।

৮) থংনবা খুল অনীগী মরক্তা লমগী ৱাহৌদা চয়েৎনবা লৈরকপদা অথুবা মতমদা রেভিন্যু লোয়শঙনা (লমদুগী মরী লৈনবা পিল্লবদা এস দি সী, খরা চাওখৎপদা এস দি ও, মথৌ তারগনা দি সী) অকনবা মীৎয়েং চঙবীরগা তুং কোয়না ঈংনা চিক্লা লৈমিন্নবা য়ানবা হোৎনবীবা ফগনি। মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনগী পর্সনেলশিংনসু অচুম্বা ৱায়েল পুরকপদা মতেং পাংশিনবিরবদি য়াম্না হেন্না ফগনি খঞ্জে।

৯) চীংমী-তম্মী ফুরুপ অনীসিগী হৌরক্লোনশিংগা শাগোন্নবা লাইনীং লিচৎ, চৎন-লোনচৎ/কলচর ঙাক্লা হিংজনীংবশিংদা মীরম লাইনীং চৎপশিংনা তোয়না মরিং মরাংবা থৌরমশিং তৌশিন্দুনা খুন্নাইদা তংদু লৈতানা লৈবদা খুদোংচাদবশিং থোকহল্লিবা/তুংদা থোরকপা য়াবশিংদগী ঙাকথোক্লবা চীংমী-তম্মী অনীগী মশা মশাগী হৌরক্লোনগা শাগোন্নবা থাদোক্লবা য়াদ্রবা চীংশিংদা অমদি তম্পাক্কী শরুকশিংদা লৈরিবা লাইফমলেনশিংগী অকোয়বদা মহৌশাগী খলগী ফীভমশিং ঙাক্লা থল্লগা মীয়াম্না লাই খুরুম্বা চৎপা য়ানবা - কোয়লাস থাবা লম্বী নত্তবীদা মী অহুমগুম্বনা মতম অমদা চৎপা য়াগদবা থাক থাক নায়বা, নোং তাবা মতমদা নান্থরোইদবা মওংদা, চীংথক্কী লাইফমলেন য়ৌবা ফাওবা লৈঙাক্লা শেন্বীরগা লাইফমদুগা মরী লৈনবা মফমশিং ষ্টেট লৈঙাক্লা/ময়োল লৈঙাক্লা দি রিজার্ভ তৌবীরগা ফজনা ঙাক শেন্দুনা থমহঞ্জনীংই। ইম্ফালগী ময়োলদা হিন্দুগী অচৌ-অচৌবা লাইফমলেনশিং লৈরিবা অসুম্না শেমগৎপীরগা ত্রষ্ট অমদা মখা তাবা শেমগৎ শাগৎনবা অমদি য়েংশিনবগী থবক শিন্নবিরবদি মণিপুরসি লাইগী লৈবাকনি হায়বসি মালেমগী মীশিংনা থাজবা ঙমগনি। মতাং চারিঙৈসিদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাকসিনা তুং কোয়না চৎনবা য়াগদবা ফজরবা থৌশিল অমা মীয়াম্না লৈঙাক্তা পায়খৎহঞ্জনীংই হায়না ফোঙদোকপীরকপা ৱাফমশিং ৱারেংসিগী খুথাংদা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিঞ্জরি।

কৌব্রু চীং অমদি থাংজিং চীং করিগী ঙাক শেন্দুনা কন্দুনা থমগদৌরিবনো হায়বগী য়াম্না শম্বা পাউখুমদি হায়রিবা চীংশিং অসি মীতৈ/মৈতৈ অমদি কেগে মোইরাং হৌরক্লোনগা থাদোক্লবা য়াদ্রবা মরী লৈবননি। মরী লৈনদবা অমদদি ইচম চম্না লৌবা খনবা য়াই। মসি হৌনশানি। খুদম, মী অমা ওইবগী হায়বদি নুপা অমদি নুপী ওইবগী এনাটোমিদা নুপানা নুপাগী, নুপীনা নুপীগী মান্নরবসু মান্নদবা ফুরুপশিং - হৌরকফমদা ওইরবসু, লাইনীং লাইশোন্দা ওইরবসু, চৎন লোনচৎতা, চাকচা-য়ুথক্তা, মালেমগী তোঙানবা লমগী মওং মতৌশিং (লেন্দ ফিচরশিং জিওগ্রাফিকেলি) গী মতুংইন্না ফুরুপ অমনা খনবদু ফুরুপ অতোপ্পা অমনা করিসু ওইদনা খনবনা মী ফুরুপশিং মান্নদে হায়রিবনি। অদুবু অমনা অমগী হৌরকফম অমদি চৎন-লোন/কলচর ইকায় খুম্নরবদি ফৈ। লুরিবদি ফুরুপ অমনা চৎন লোন/কলচর অনী চৎপসি তৌনদে। য়ানবা ঙহাক্কী তৌবশিংদি মমাঙদসু হায়খ্রে - মখোয়শিংদুদি আর্টিষ্টশিংনি/পোলিটিসিয়নশিংনি। অদুবু মশাগী অশেংবা অমদি লৈনরিবমক্তনি। মালেমদা মী মশীংদি য়াম্না য়ামদবা খরনা লাই হায়বসি থাজদবা, কলচর খুদিংমক য়াই খঙদে য়াদে খঙদে, মশাগী তাংদাংবা অমা লৈতবগুম খনবসু য়াওদবা নত্তে। অদুবু ইরমদমগী অহল লমনশিংনা হায়নবা অমদি ''নাউফম্না মমা চেন্নৈ'' হায়বসিগী ৱাহন্থোক করিনো হায়বসি খন্থবদি চুমগনি খল্লি।

কৌব্রু ইপাগী মরমদা থোইদোক্লা খঙদ্রিঙৈ, ঙসিদগী চাওরাক্লা চহী ৬০ রোমগী ময়াদা ইশাগী চহী ১২ রোম শুরকপা মতমদা ইমা, ইমাবু পোকপী অবোকশি, ইন্দোমচাশিং, লৈকায়গী অমদি থংনবা লৈকায়গী পাখঙ-লৈশাবীশিং, মৌশিং, অহল (নুপা-নুপী), কৌব্রু ইপাগীদা লৈরিবা লাইফম (শুরুং) শিং খঙবা, ঈরাৎ থৌনি হৈবা মাইবা খরা য়াওনা ঐখোয় মী নিফুগী ময়াদা শক্তিমান অমগা জীপ অমগদা অহিংদা কৌব্রু কাবা চৎলি। মফমদু য়ৌরগা অখঙবা অহল খরগা অমদি য়াম্না তোয়না চীংদোল তান্না চৎলবা পাখঙ মচা খরগনা পূন্না লম চিংলগা য়াম্না ৱানা, মী অমখক্তগী চৎপা য়াবা খোঙলম য়েংলগা কায়। অহানবা কাবা ওইবনা চীংদোল মচা অমা য়ৌবগা অমুক কুমথরগা অতোপ্পা চীংদোল অমা অমুক য়ৌনবা কাখৎলি। অসুম্না চীংদোল মাপললা করিনো শুনা অমুক কাখৎ অমুক কুমথ তৌরবা মতুংদা লৈতেম মান্নবা মীয়াম্না দম্বুর মচা মচা খল্লগা লৈনরম্বদু য়ৌই। লাইগী ইকোম/পুখ্রি অচৌবা অমা, মদুদা কনাগুম্বা খরদি কুমথরগা ইরুপ্পসু থেংনরকখি। খরনা ঈশিং শোক্কৎলগা মপান্দা ইরুজবসু য়াওই। মকোক চাউবা ঙাচক অশংবা মচু, অশংবা হঙোইনচিংবসু খোংবা, ইরোইবসু উরকই।

মফমসি য়ৌদ্রিঙৈ মথং মথং কাখৎলকপদা নোংজু নুংশাগী ফীভমদি নোং ঙহাক হেক্তা খঙহৌদনা চুরগা ঙহাক লৈরগা হেক্তা হাংখি। মতমদুদা মী নিংথি নুংঙাইনা চীংথক্তা করিদা তারমদবনা চাওর-চাওরবা উজাওশিং হৌবা, লোক্তা ঈশিং চেন্থবগী ত্রোং-ত্রোং লাওবা মখোলশিং অদুগা মখোল য়াম্না হৌনা তীলগুম্বা অমনা খোংবগী অহৌবা মখোল নত্তনা থোইনা উচেক খোংবগী মখোল তাবা ফংদবা চীংজাও ওইরম্মী মতমদুগী লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রু অশুপ্পগী অমদি খোইমোম লাইরেম্বী কৌনু ইমাগী মশাইকোন হৌজিক নীংশিংলকপদা। অদুবু লাইবক থীবদি অহিংদা তম্পাক্কী মীয়াম্না লাই খুরুম্নবগীদমক চীংদোল তম্না কানবা চৎলিবা খোঙ লম্বীদু থৎনা মীফৎতা কাঙবু খরনা অতম্নবা তৌগে মতাগুম উজাও খরা মরক মরক্তা য়ান্থৎলমদুনা লম্বীদু লম্মুক্লহন্নবা থৌরাংলম্বসু কয়ানি। ঐখোয়গী খোঙবুসু লম্বী লম্মাংনবদা য়াওরম্মী। নহা খরনা, হান্না লাকপদা খঙদবা অশাবা নোংমৈ য়াওরকই হায়বা অমদি শঙ্গিননচিংবা থাঙ খরা পায়বা য়াওরম্বদগী লম্বী থিরুগে হায়রম্লগা মখোয়না থোকপা চৎখিবা ঙহাক লৈরগা 'তুপ তুপ' হায়বা মখোল তারকখি। মখোলদু খঙবা অহল খরনা ঐখোয় ময়াম মফমসিদগী খরা লাপথোক্লা হন্দোক্লগা নোংঙানবা ফাওবদং ঙাইবদা নুংঙাইগদবা মফম য়েংলগা হন্দোরকখি। অঙাং নুপী নহা খরা ওইবশিংনা ময়ায় ওইরপ ফম্বদা ঐসু (অঙাং ওইরিঙৈ) য়াওই। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।